ইপা-ইপু হাক্তক্তগী অহলশিংনা শীজিন্নরকখিবা লায়েং অমদি হিদাক লাংথক্কী মতাংদা নুমিৎ নীনি চথুগদবা ৱার্কশোপ খুরাই কোন্সম লৈকায়দা লৈবা খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিগী হোলদা হৌদোকপগী মৈরা চুখৎখিবা

College of Pharmacy, Kangleipak Medical and Nursing In
Khongnangthaba University

ইম্ফাল ইষ্টকী শবুংখোক খুনৌদা লৈবা য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) নোর্থ ইষ্ট হেদ ক্বার্টর নম্বর-৩গী লাল্লোয়শিংদা খুরাই অঙোম লৈকায় মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিংনা লুপা লিশিং ৫ তেংবাঙখিবা

দিপার্টমেন্ট ওফ মাস কম্যুনিকেসন্না শীন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী আর্থ সাইন্সকী হোলদা নোংমগী ওইবা নেসনল কনফরেন্স ওন চেঞ্জিং মীদিয়া লেন্দস্কেপ এন্দ সোসাইটি হৌদোকপগী থৌরমদা এম য়ুগী ভি সীনা মৈরা চুখৎপা

COMMUNIC
PUR, IMPHA

দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবাল অমদি নন-কম্যুনিকেবল দিজিজ (এন সী দি) সেল থৌবাল অনীনা পুন্না শীনমিন্নদুনা ব্রেষ্ট কেন্সর এৱ্যোর্নেস মন্থ ২০২৪ য়াইরিপোক্কী য়ুনিভর্সেল কোলেজ ওফ নর্সিংদা পাঙথোকখিবা

BREAST CANCER AWARENESS
Theme : Keeping her in th
At Universal College of Nursing,
On 20th March, 2024
Orgd. by :
NCD Cell, District Health Soc

নেসনল কনফরেন্স

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মাস কম্যুনিকেসন্না শীন্দুনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী আর্থ সাইন্সকী হোলদা ৱান দে নেসনল কনফরেন্স ওন চেঞ্জিং মীদিয়া লেন্দস্কেপস এন্দ সোসাইটি হায়না মিংথোনবা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা এম য়ুগী ভি সী প্রো. এন লোকেন্দ্র, স্কুল ওফ সোসল সাইন্সেসকী দিন প্রো. টি ঐচ পুর্ণিমা অমদি মখনলাল চতুর্বেদি নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ জর্নেলিজম এন্দ কম্যুনিকেসন ভোপালগী হান্নগী ভি সী, প্রো. আর কে লিলাপতি হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওফ মাস কম্যুনিকেসন এম য়ুনা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি অমদি ভারতিয়া শিক্ষন মন্দল, মণিপুর প্রান্টগা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি মণিপুর অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কোর্ট হোলদা নুমিৎ নীনি চথুগদবা নেসনল কনফরেন্স ওন ভারতিয়া নোলেজ সিষ্টম: রিছার্স ফোর রিছার্স (এন ঈ পি-২০২০) হায়না মিংথোনবা ৱার্কশোপ অমা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমারদি কোদ ওফ কন্দক্ট লৌখিবনা শরুক য়াখিদ্রে। বি আর সনকনন্দ অখিল ভারতিয়া সঙ্ঘথন মন্ত্রি ভারতিয়া শিক্ষন মন্দল প্রো. এন রাজমুহোন ভি সী ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি, প্রো. এন লোকেন্দ্র ভি সী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, প্রো. বিনোত মৈনম প্রসিদেন্ট ভারতিয়া শিক্ষন মন্দল মণিপুর প্রান্টনা থৌরমদুগী দিগ্নির্টরিশিং ওইখি।

কেন্দল শাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : নোংপোক ইম্ফাল পলেম ইমা অপুনবা লূপ (নিম্পাল)গী ময়াই লোয়শঙদা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেয়াইমনা ময়াইতাংবল লৌদুনা ৱাঙ্গৈইব্রাঞ্চকী ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসনগী মৈরা পায়বীশিংনা অথুম-অহাও অমদি কেন্দল শাখ্রে হায়রি।

মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা মীখল পাঙথোকপা পামদে : এম তোম্বী

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা মীখল পাঙথোকপা হায়বসি শিব সেনা মণিপুরগী ওইনদি অপাম্বা নত্তে। অদুবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী কাঙলোন মতুংইন্না ইলেক্সন কম্মিসন্না মীখল পাঙথোক্ল বগীদমক লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিবুদি শিব সেনানসু ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা মীখল শরুক য়াগনি হায়না শিব সেনা মণিপুর স্টেটকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বী ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী বাবুপারাদা লৈবা শিব সেনা মণিপুর স্টেটকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম তোম্বীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী থোরক্লিবা ঈরাংসি ঙসিসু চপ চানা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদনা লৈরি। মসি পোলিটিকেলগী এঙ্গলদা য়েংলগসু ঈরাং লোইশিনবগী থবকসি য়াম্না মমি শাল্লি হায়বসি মীয়াম্নসু হেন্না খঙনরবনি।

লৈবাকসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অহুল্লকশুবা লৈঙাক অমা শোয়দনা হল্লকখিগনি হায়বসি থাজে। স্টেটসিবু শক খঙলদুনা বি জে পি লৈঙাক্লা লেপ্পুনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং শীংথানিংঙাইনি। লোয়ননা মণিপুর কনসি হায়রবদি মুন্না য়েংলগা ঐখোয়গী মরূ চঙবা মীহুৎ খনসি। ইশাগী খুদোংচাবা খরখক্কী য়েংদুনা মীহুৎ খল্লোইসি। অহিংবা মীওই ওইরবসু মণিপুরগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা ৱাফম অমফাওবা কাংথোক্তবা মীহুৎশিং অমুক হন্না থাগৎলোইসি। লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা মীয়ামগী কথোকপা ঙক্সগী অমদি তুং কোইনা মীয়ামগী মাঙ থারগা থবক তৌরক্কদবা মীওই খলহৌসি হায়খি।

গভর্ণরনা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি লাইশঙদা গ্বাল আর্তি য়াওখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী রাজভবন্দগী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা ঙসি শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল ৱাঙ্খেদা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা থৌরম লোইরবা মতুংদা নুমিৎ খুদিংগী কায়দনা পাঙথোরক্লিবা শ্রীশ্রী গোবিন্দগী গ্বাল আর্তিগী থৌরমদা শরুক য়াখ্রে হায়রি।

ঙসি পুখ্রম্বম জেমস মণিপুর কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমদি প্রোফেসর সুখদেব হঞ্জবম ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ত্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি অমর্কান্তক (মধ্য প্রদেশ) অনীনা পুন্না ইমিন্নবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী ফিজোল (বেষ) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী কমপ্লেক্সতা ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা গবর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা অথোইবা মীথুং, শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী মেম্বর এস তরুনকুমারনা থৌরম মপু অমদি প্রোফেসর নাওরেম লোকেন্দ্র ভি সী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রো ভি সী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমদি প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোন ভি সী ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা গবর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা মচুশংলবা ইলস্ট্রেসন অমদি ফোটোগ্রাফ কয়া য়াওরবা লাইরিকসি ফোঙলকপগীদমক্তা অইবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। শ্রীশ্রী গোবিন্দজিসি গৌড় বৈষ্ণবশিংগীদমক্তদি অথোইবা দেবতা (লাইনিংথৌ) অমনি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না মরী লৈনবা থৌরম কয়া অমা ঙসি ফাওবা কায়দনা পাঙথোক্লি হায়না মহাক্না শীংথাখি হায়রি।

খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিদা নাৎকী লায়েংগী মতাংদা ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : লমদমসিগী পারি-পুরিদগী হৌনা অহল-লমনশিংনা শীজিন্নরকখিবা লায়েং-পথাপ অমদি হিদাক-লাংথক্কী মতাংদা মমুৎ তানা খঙদোক্তুনা তুংগী মীরোলদা খঙহন্নবগী পান্দমদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোন্সম লৈকায় পাওনম লৈরক্তা লৈবা খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিগী কন্সটিট্যুএন্ট কোলেজ অমা ওইরিবা কোলেজ ওফ ফার্মাসি, কংলৈপাক মেদিকেল এন্দ নর্সিং ইন্সটিট্যুটনা শীন্দুনা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদুদা সাইন্টিষ্ট এফ, সিনিয়র ইনোভেসন ওফিসর এন্দ কোওর্দিনেসন ইষ্টর্ন রিজন এন আই এফডা. বিবেকুমারনা অথোইবা মীথুং ওইখি। খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিগী দিন অমসুং দিরেক্তর (অয়ুশ) ডা. এ গুনেশ্বর শর্মনা থৌরম মপু অমসুং খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ডা. অতোম সুনিলনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

নুমীৎ নীনি চথুগদবা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা কোলেজ ওফ ফার্মাসি, কংলৈপাক মেদিকেল এন্দ নর্সিং ইন্সটিট্যুটকী প্রিন্সিপাল ওইনাম জিমিনা পাউমীশিংদা হায়খিবদা, ৱার্কশোপসিগী মনুং চন্না মণিপুরী খুন্নাইদা মমাংঙৈদগী চৎনরকপা লায়েং পথাপ অমসুং হিদাক লাংথকশিংগী মতাংদা খঙ-হৈরবশিংনা খঙলিবশিং অদু অনৌবা মীরোলদা খঙহল্লম্নবা ৱার্কশোপসি পাঙথোকপনি হায়খি।

নুমিৎ ১০নি চথরকপা রিছার্স মেথোদোলোজিগী কোর্স লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন কাউন্সীল ওফ সোসল সাইন্স রিছার্স, ন্যু দেল্লিগী শেন্থং মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন অমসুং স্কুল ওফ এদ্যুকেসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এম আই এম এসকী কনফরেন্স হোলদা চথরকখিবা নুমিৎ ১০নিগী রিছার্স মেথোদোলোজিগী কোর্স ঙসি লোইশিনখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনগী ওজা অমদি রিছার্স স্কোলারশিংগীদমক পাঙথোকখিবা কোর্স অদু লোইশিনবগী থৌরমদা এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার প্রো. দন্নিয়ু চান্দবাবু, য়ুনিভর্সিটি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসনগী হেদ প্রো. কে সিতলজিৎ অমসুং স্কুল ওফ এদ্যুকেসনগী দিন ওইরিবা অমদি কোর্সসিগী দিরেক্তর প্রো. প্রেমলাতা মাইস্নামনা দেজদা ফমখি। কোর্সসিগী মতাংদা প্রো. প্রেমলাতানা লমদমসিগী রিছার্স স্কোলারশিংনা মরু ওইনা ফিল্দদা চত্তুনা দেটা খোল্লুরগা দেটাশিং অদুবু নৈনবগী মতাংদা শন্দোক্লা ঙাংখি।

ব্রেষ্ট কেন্সর এৱ্যোর্নেস মন্থ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবাল অমদি নন-কম্যুনিকেবল দিজিজ (এন সী দি) সেল থৌবাল অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা ব্রেষ্ট কেন্সর এৱ্যোর্নেস মন্থ২০২৪গী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা য়াইরিপোক্কী য়ুনিভর্সেল কোলেজ ওফ নর্সিংদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

‘কিপ্পিং হার ইন দি পিকচর’ হায়বা থীমসিদা পাঙথোকখিবা এৱ্যোর্নেস কেম্পকী থৌরমদুদা নর্সিং কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল নন্দরানি, এন সী দি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসর ডা. বিক্রমজিৎ অমদি এন সী দি থৌবালগী এসিষ্টেন্ট প্রোগ্রাম মেনেজর চিত্রানা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা ঙসিগী থৌরমদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

থৌবালদা চথবা ওপরেসন্দা পুলিসনা বোম অমসুং নোংমৈশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মেটেল দিটেক্টর শীজিন্নদুনা নোংপোক সেকমাই পি এসকী মনুং চনবা ফুনগ্রে চীংগী উমংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মশক খঙদবা লমহেন-তুহেনবশিংনা লোৎশিল্লগা থল্লম্বা য়াল্লবা নোংমৈ অমসুং পোকখায়বা য়াবা বোমগী মচাকশিং ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সিনিয়র এস পি রাকেশ বালৱাল আই পি এসকী মীৎয়েং মখাদা এদিসনল এস পি (ওপস) মোইরাংথেম বিশ্বর্জিৎ এম পি এসনা লুচিংবা স্পেসল ওপরেসন গ্রুপনা সোমরৈদা লৈবা ৩৩-এ আর দি কোইগী কম্পেনি ওপরেটিং বেজ (সী ও বি) টিমগী কম্বাইন্দ ফোর্স অমগা লোয়ননা ফুনগ্রে চীংগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুদি মেগজিন য়াওবা ৫.৫৬ এম এমগী ইন্সার্স রাইফল ১, ৫.৫৬ এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৫, নম্বর ৩৬কী হেন্দ গ্রেনেদ ২, ট্যুব লোঞ্চর ১, ৮০ এম কে-১গী দন্নিয়ু পি গ্রেনেদ ২, টিয়ার স্মোক গ্রেনেদ ১ অসিনচিংবনি হায়রি।

স্মোল প্রোসেসিং য়ুনিট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : য়াকাইরোল ওর্গানিক ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পেনি লিমিটেদকী স্মোল প্রোসেসিং য়ুনিট অমদি কল্লেক্সন এগ্রেগেসন এন্দ গ্রেদিং য়ুনিট অমা ঙসি সরম তাঙ্খুল ভিলেজ দা হাংদোকখিবগা লোয়ননা থবক তৌবা হৌখ্রে হায়রি।

য়ুনিটসিনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা ওর্গানিক্কী পোথোকশিং মরাং কায়না পুথোক্তুনা কেমিকেল ফ্রী ওইবা লমদম অমা ওইহনবদা মতেং পাংলগনি অমদি কল্লেক্সন, এগ্রেগেসন অমসুং গ্রেদিং য়ুনিটসি মণিপুর মিসন ওর্গানিক এজেন্সী (মোমা)গী শেন্থং মখাদা পায়খৎপনি হায়রি।

রিমসনা থা ১ চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড ওরেল হেল্থ দে হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী মীদিয়া এদভাইজর এন ফিলিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা থা অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড ওরেল হেল্থ দেগা মরী লৈননা ঙসি দেন্টেল কোলেজ রিমস ইম্ফালদা সাইকল রেল্লি অমা রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসর জি সুনিল কুমারনা লমথাখ্রে হায়রি।

ওরেল হেল্থ ফোর বেট্টর হেল্থ হায়বা থীমসিগী মখাদা পাঙথোক্কদবা থৌরমসি হৌদোকপদা দেপ্যুটি দিরেক্তর (এদমিনিষ্ট্রেসন) রিমস ডা. আর কে মেকোল্ট, প্রিন্সিপাল দেন্টেল কোলেজ রিমস ইম্ফাল ডা. বি প্রবিন রেদ্দি অমসুং প্রসিদেন্ট ইন্দিয়ন দেন্টেল এসোসিএসন (আই দি এ) মণিপুর স্টেট ব্রাঞ্চ ডা. আর কে রতনকুমার শরুক য়াখি।

ৱর্ল্ডওরেল হেল্থ দেগী থৌরম অদু দেন্টেল কোলেজ রিমস ইম্ফালনা ইন্দিয়ন দেন্টেল এসোসিএসন মণিপুর ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নুনা শীনবনি।

থৌরমদুদা রিমসকী দিরেক্তরনা ফোঙদোকখিবদা, ওরেল হেল্থকী মরু ওইবা মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবগীদমক সেমিনার, পব্লিক টোকনচিংবা কয়া থা অসিগী মনুংদা পাঙথোক্কনি হায়খি।

অমরোমদা, মীদিয়া এদভাইজরগী অতোপ্পা চেরোল অমদা রিমসনা স্বস্থথা হেল্থ কেম্পকা মরী লৈননা ঙসি লৈমরাম ময়াই লৈকায় অমদি খুরাই কোন্সম লৈকায়দা হেল্থ কেম্প অমমম পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা রিমসকী মেদিসিন, ঈ এন টি, পেদিয়াট্রিক্স, আই, ওর্থোপেদিক্সকী ডোক্তরশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

[illegible]

[illegible] : [illegible]

দ্রোন পাইগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দিরেক্সন মখাদা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালনা মার্চ ২২গী নুংথিল পুং ৩দা হিদাক লাংথক পুবা দ্রোন অমা রিমসকী কেম্পসতগী খুম্লোংগী সী ঐচ সী ফাওবা পাইগদৌরি হায়না রিমসকী মীদিয়া এদভাইজর এন ফিলিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। মসিদা মীয়াম্না মীপাইবীদনবা রিমসকী ওথোরিটিগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্কবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্কবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্কবা গাড়ী, লক্কি স্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগাৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটসএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8620/11 to 15 April

[illegible] / খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হামদোক্লবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাল্লগসু খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক য়াম্না নুংঙাইতবা, পুক পংখোংদা খোললগা লৈবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা অদুনা পুক কংখৎপা, খ্বাং নাবা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হামদোক্লবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাল্লগসু খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক য়াম্না নুংঙাইতবা, পুক পংখোংদা খোললগা লৈবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা অদুনা পুক কংখৎপা, খ্বাং নাবা, অমাংথোংঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্তৎচবা, খোৎলুরগনা অমাংথোংঙ মপান অকোয়বদু তৎপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু খকউ য়াদবা, অমাংথোংঙ ময়াদা চনা মরুমুক চাউবা অমা পোমখোল্লগা লৈবা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, অমাংথোংঙদা য়াম্না শাগৎপা, হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, অমাংথোংঙদা চক-চক থিল্লকপা, অমাংথোংঙ মপান অকোয়বদু চাউথোরকপা অমদি চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, ফম্বী শোনবা, হক্তিনিংবা ইফাও ফাওদবা, খ্বাং-য়াংলেন নাবা, খোঙ-খৃৎ বং-বং লাউরগা শজিং তোয়না হৌবা অদু স্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্না অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/10128/21 *থাগৎচরিবা :* **L. Borish**, Bishnupur

CAS Coaching Centre

CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

Admission Open
FOUNDATION COURSES

Hurry!!!
Seats are limited
First Come First Served

CLASS XII
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)

CLASS XI
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)

CLASS X
(English, Maths, Science, Social Sc. & Home Sc)

Special features:
- Concession for 1st come 10 students
- Special Concession for Meritorious, Ethnic Victim Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2025

Hostel for BOYS & GIRLS Available

Classes commencing from
18th March, 2024(1st Batches) & 4th April, 2024(2nd Batches)

Morning:(4.00/4.30– 7.00/7.30) A.M. # Evening:(4.00–7.00)P.M

For Details:- *CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal (Mayai Lambi Machin) # 6033817130*

HL-B/8605/7 to 31 March

[illegible] / PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook bearing A/C No. 1067000100053146 issued by, Punjab National Bank, Imphal Branch on the way in between my residence and Paona Bazar on 18/03/2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Laimayum Sharat Sharma**
Add. :- Brahmapur Nahabam Bamon Leikai

HL-P/10157/21

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD

Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
P.T	10.50	1,500	15,750
		2,000	21,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rdClass	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
4thClass	4.00	1,500	6,000
		2,000	8,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			3,500

Contact No. 7005134130

HL-P/10145/21 Mar. to 9 April

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

Ref :- Mutation Case No. 68/SDC/SWG of 2024

Parties : Laikhuram Rupachandra Singh, S/o. (L) Yaiskul Singh of Salakhul.
- Petitioner

-VS-

Late Pattadar : Laikhuram Yaiskul Singh, S/o. (L) Ningthounu of Salakhul.
-Opposite Parties

[illegible] / NOTICE

Sawombung, the 20th March 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিলগী খুন ন: 62-Salakhul পাট্টা ন: .... (অরিবা) 56 (অনৌবা) দাগ ন: 15 মোট এরিয়া 1.38 একর চাউবা অঙনফৌ লৌফমগী পাট্টাদার Laikhuram Yaiskul Singh মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মহাক্কী মমিং নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চে ওইনা আপত্তি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Sawombung, Imphal East

HL-P/10148/21

[illegible] / খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্বুবা, নাম্বুবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোঙ মনুংদসু তৎপা, খোঙ য়াম্না তোয়না তোয়না হাম্বা, শা-ঙা চাশিনবগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, খোঙ হাম্নিংলকপা মতমদা ঙাইহাক্তং খাঙ্গৎলগা লৈবা ঙমদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্বুবা, নাম্বুবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নাম্বুরক্লগা য়াম্না নুংঙাইতবা, অমাংথোঙ মনুংদসু তৎপা, খোঙ য়াম্না তোয়না তোয়না মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, শা-ঙা চাশিনবগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, খোঙ হাম্নিংলকপা মতমদা খাঙবা ঙমদবা, ফিদা মাংশিনবসু য়াওবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোম্বা, মরক-মরক্তসু খোঙ হাম্বদা ঈ তারকপা, ঈ তাবা অদু অমুকসু ফখিবা, অমাংথোঙদা চক-চক থিল্লকপা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, নোংম-নোংমগী হকচাং অসি শোম্বুরকপা, পোখারগতা লৈনিংবা, করিমত্তা শুনিং-চৎনিংবা পোক্তবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংলগা পুক য়াম্না নুংঙাইতবা, চাবা থকপসু য়াদবা, থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খ্বাং অসি নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, ঙকশম মরি নাবা, নময়াং মরিন অসিসু নাবা তৌরম্বা অদু স্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্না অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8619/21 *থাগৎচরিবা:* **Th. Ibomcha Singh,** Hiyangthang

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

[illegible]

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College,Imphal

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE *for*
CLASS -XII Sc. (COHSEM)

Class commencing on 5th April, 2024 (4:20 pm to 7:40pm)

18TH POSITION
Yumnam Hemlan
MECI Explorer Academy

20TH POSITION
Bhumika Rajkumari
COMET School

86%
Ranjan Chungkham
MECI Explorer Academy

86%
Bonita Laishram
COMET School

Form available at :
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm - 7:30pm)

9233836426
7085521821

HL-B/8646/18